# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 26-10-2024)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-সি.এমস লাইরিক হৈমীন্নসি প্রোগ্রামনা মহৈরোইশিংদা চাউনা অওনবা পুরক্লিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি।

প্রোগ্রাম অসি মাইনোরিতি এন্দ আদর বেকৱার্ড ক্লাসেস (এম.ও.বি.সি) না সমাজ অসিগী শেন্মীৎলোন শোত্থরবা মহৈরোইশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা মতেং পীননবা প্রি-মেত্রিক রিমেদিয়েল কোচিং প্রোগ্রাম অমনি। প্রোগ্রাম অসিগী খুদোংচাবশিং মীয়ামনা য়ারিবমখৈ লৌদুনা মখোয়গী মংলানশিং মংফাওননবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

স্কিম অসিগী মতাংদা মহৈরোই অমনা হায়-সি.এমস লাইরিক হৈমীন্নসি হায়বা প্রোগ্রামনা মখোয়দা কান্নবা কয়ামরুম পীরে। মহাকা হায়-কোবিদনা নাইন্তিননা মরম ওইদুনা মহৈ মশিং তম্বদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকখি। মসিগী মথক্তা মনিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মহৈ মশিং তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। অদুবু, কোচিং প্রোগ্রাম অসিনা মখোয়দা লৈরম্বা খঙদবশিং খঙহনবদা চাউনা মতেং ওইরি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা বিষ্ণুপুর জিলাগী উয়ুং মখোঙদগী সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী এস.এল.আর. অমা, মেগজিন অমা, হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, টিয়ার গ্যাস গ্রেনেদ অনি ষ্টিংগর গ্রেনেদ অহুম, ৱয়ারলেস সেট অনি, কিলোগ্রাম অনি মখায়রোম লম্বা আই.ই.দি. অমা, দিটোনেটর অমসুং অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎপা ঙমলে।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী সান্তিপুর মখা লৈকাইদগীনা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা,

মেগজিন অনি য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, দিটোনেটর য়াওবা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, ট্যুব লোঞ্চর অমা, টিয়ার স্মোগ সেল অহুম অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ দা গাড়ি ১১৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা গাড়ি ৩৪৩ ইম্ফল তমা পুশিল্লকখ্রে।

**এআর(এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সিলগা খুৎশমদুনা হৌখিবা শগোলশেন অমসুং ইরাই নুমিৎতা থৌবাল জিলাগী লিলোং অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী পাৎশোইদনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান মেদিকেল কাউন্সিলগী নাসিক, মুম্বাই অমসুং পুনেদগী লাকপা দাক্তর ৮ না রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী মফমশিং অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাদা হয়েং ফাওবা মেদিকেল কেম্পশিং পাঙথোক্কনি। পাৎশোইগী সলাম খুলদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদু এম.এল.এ. রাজেন সিংহনা হৌদোকখি। লিলোংগী কেম্প অদুনা লিলোং য়ুনাইটেদ ক্লব-মনিপুরগী কনভেন্নর-সজাদ বুয়াময়ুমনা হৌদোকখি। কেম্প অনি অসিদা মীওই লিশিং ২,২০০ রোম লায়েংখি।

অমরোমদা, ইং কুমজা ১৯৬২ ইন্দো-চাইনা ৱারদা লৈখিদ্রবা থৌনা ফরবা লান্মী অহুমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা শগোলশেন নুমিৎতা ঙমখৈ সহর মোরেদা পাঙথোকখ্রে।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা-মন কি বার্টকী ১১৫ শুবা তাঙ্কক হয়েং অকাশবানিগী থোংদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লৈবাক অসিগী মনুং হুনজিন্না লৈরিবা মীওইশিংগী য়াইফনবগীদমক খ্বাইদগী নৌবা মেদিকেল টেকিকশিং শিজিন্নগদবনি।

ছাতিসগরগী রাইপুরদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস) কী কনভোকেসনদা শরুক য়ারদুনা রাস্ত্রপতিনা সমাজ অসিগী শোখনা লৈরিবা মীওইশিংগী সেভা তৌনবা মহৈরোইশিংদা আপিল তৌখি। রাস্ত্রপতিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবা পীনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎখি। রাস্ত্রপতিনা এন.আই.টি. রাইপুরগী কনভোকেসনদসু শরুক য়াখি। নয়া-রাইপুরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নুপী লাখ ৭০ দা ছাতিসগর সরকারনা পীবা মতারি বন্দানা য়োজনাগী ৯ শুবা ইন্সটোলমেন্ট রাস্ত্রপতিনা খুৎশিন্নখি। থৌরমদুগী শরুক অমা ওইনা রাস্ত্রপতিনা স্কিম অসিগী বিনিফিসরিশিং অমসুং ত্রাইবেল জাতিশিংগা উন্নখি।

রাস্ত্রপতিনা ঙসি নয়া রাইপুরদা আই.আই.টি. ভিলাই অমসুং পন্দিৎ দিন দয়াল উপাধ্যায় মেমোরিএল হেলথ সাইন্স এন্দ আয়ুস য়ুনিভরসিতিগী কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি।

**নোংঃ** উরিষ্যাদা নোংলৈ নুংশিৎ দানানা মাঙ তাকহল্লল্লবা সমুদ্র খোঙবানগী জিলাশিংদা মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিলহন্নবা থবক খোঙজেল য়াংনা পায়খৎলি।

এন.দি.আর.এফ, ও.দি.আর.এ.এফ, ফয়ার সার্ভিস অমদি অতৈ বিভাগকী মীওই কয়ানা অথেংবা ফাওবা লম্বী সড়ক্তা অপনবা থোকহন্দনবা অমদি মীয়ামদা মৈ ফংহন্নবা হোৎনখি। মুখ্য মন্ত্রি-মোহোন চরন মাঝিনা ভুবনেশ্বরদা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মাঙহনখিবা অমাং অতাশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা রিপোর্ট পীখৎলকবা খঙহনখি।

মহাকা হায়-নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা মীওইবগী পুন্সি মাঙ তাকপগী পাউ লৈতে। রাজ্য সরকারনা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট কল্লেক্তরশিংদা কুৎথবা মফমশিংদা

লৈবা খুলশিংদা ঈশিং তুংশিনদুনা লৈহৌবশিং অথুবা মতমদা শেংদোকবা পাউতাক পীখ্রে। তেংবাং পীবা অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হনজিল্লকবগীদমক ছুতি লৌদুনা লৈরিবা কর্ম্মাচারিশিংগী থবক কারকবা খঙহনখ্রে।

**ঝরখন্দঃ** ঝরখন্দ বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী ঙরাং মীরেপ চে পীশিনবা লোয়বা ফাওবদা মীরেপ লিশিং ১,৬০৯ না মীরেপ চে পীশিল্লকখি। বরখাতা বিধান সভা কেন্দ্রদা খ্বাইদগী মশিং য়ামা মীরেপ ৭৪ না মীরেপ চেশিং পীশিল্লকখি।

অহানবা তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ৪৩ দা মথং থাগী ১৩ দা ভোট থাদনগনি। মীরেপ চেশিংগী স্ক্রুতিনি থা অসিগী ২৮ দা পাঙথোক্লবা মতুং মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ থা অসিগী ৩০ নি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোট মথং থাগী ২৮ দা থাদনগনি।

অমরোমদা, বিধান সভা কেন্দ্র ৪৭ কী মরক্কী মীখল অমসুং ৱয়ানার লোক সভা সিটকী মীরেপ চে পীশিনবগী মতমসু ঙরাংনা লোয়খ্রে। মথং থাগী ১৩ দা ভোট থাদনগদৌরিবা অসিদা উত্তর প্রদেসকী বিধান সভা সিট ৯, রাজস্থানগী তরেৎ, নোংচুপ বেঙ্গোলগী তরুক, অসামগী মঙা, বিহার অমসুং পঞ্জাবকী মরি-মরি, করনাতক্কী অহুম, মধ্য প্রদেস, কেরলা অমসুং সিক্কিমগী অনি-অনি, ছাতিসগর, গুজরাট অমসুং মেঘালয়াগী অমমম য়াওরি।

মরক অসিদা, ১৫ শুবা হরিয়ানা বিধান সভাগী অহানবা মীফমদা প্রোটেম স্পিকর-ডা: রাঘুবির সিংহনা নৌনা কারল্লবা এম.এল.এ. ৯০ ৱাশক লৌখ্রে। সভাগী লুচিংবসু ওইরিবা মুখ্য মন্ত্রি-নয়প সিংহ সাইনিনা ইহান হান্না ৱাশক লোখি। সভানা হরবিন্দর কলিয়ানবু অধ্যক্ষ ওইনা অমসুং ক্রিসন লাল নিধাবু উপ অধ্যক্ষ ওইনা ৱাশক লৌখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লাঞ্জেন্নরকপশিং লাঙ্গোলগী নৌনা শাবা লোইরবা হাউসিং কমপ্লেক্সতা চঙখ্রে, ২১ শুবা লাইফস্তোক সেন্সস ওপরেসন লোঞ্চ তৌখ্রে, হোর্স রাইদিং স্কুল অমা লিংলগনি-খাশিম ভাশুম অমসুং এদুকেসন এসকী এনহোক ওজা ৫০২ গী রিগুলরাইজেসন ককখিবা লৈঙাক্কী ওর্দর হায় কোর্টনা সসপেন্দ তৌখ্রে হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনা লৈবাক্তা-কাঙলুপকী ইরাংনা মনিপুরগী ফিল্মগী খোঙচৎ ফাওবা লেপখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরে, চহি অসিগী ওইনা ইন্দিয়ান পনোরামাদা মনিপুরি ফিল্মসু য়াওরক্ত্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

জে.দি. (য়ু) দগী বি.জে.পিদা চংখ্রবা এম.এল.এ. মঙাগী দিসক্কালিফিকেসন কেসকী হিয়ারিং চখ্খ্রে, চয়োল অহুমগী মতুংদা মখা তাবা হিয়ারিরং চখ্খগনি হায়না ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-কুকি জো এম.এল.এ. ১০ না গভনরদা য়ুনিয়ন টেরিটোরি শেমবা দিমান্দ তৌখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

চিং মচা মচা কন্নবা হোৎনবা মীয়ামগী মায়োক্তা নত্তে হায়বা মিনিস্তর বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

মোরনিং বেলদা-মনিপুর পুলিস অমদি ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া অনিগী মরক্তা ফাইনান্সিয়েল সার্ভিস ফগৎহন্নবা য়ান্ন-চে অমা সহি তৌখ্রে হায়না এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

লাঞ্জেন্নরকপা মীওই ৪৬০ লাঙ্গোলদা নৌনা শাবা হাউসিং কমপ্লেক্সতা হোংজিনখ্রে হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-মনিপুরগী ইরাংনা দোমেষ্টিক অমসুং ফোরেন টুরিষ্ট লাকপগী

চাং চাদা ৭৯.০৪ দা হন্থখ্রে  হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মোটোর ভেহিকল অমসুং ত্রাফিক পর্সনেলশিংনা হরাসমেন্ট পীবা লেপ্পুবদি দ্রাইভরশিং ষ্টিয়ারিং থাদোক্লগনি হায়বা পাউ অমা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

গানফিয়ু মেলদা-ভিক্সিত ভারতকী শরুক অমা ওইনা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং, ইম্ফালগী তমেংলোং ফিল্ড ওফিস অমদি হিল বি কিপরস এসোসিয়েসন অনিনা খুৎশমদুনা ইন্টিগ্রেটেদ কম্ম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা তমেংলোং দিষ্টিক্ট হেদক্বাটরগী য়ু.বি.সি. ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কালা উৎসব ২০২৪ পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।